# মীওই ১২ থাদোক্নবা দিমান্দ তৌখ্রে

টাইপৈ, ওক্টোবর ২৫ (এজেন্সী):
হোং কোংগী প্রো-দেম্মোক্রেসি মুভমেন্ট শৌগৎপা মালেমগী কেম্প্যেনগী শরুক অমা ওইনা নোংমাইজিং নুমিত্তা টাইৱানগী কেপিটেল টাইপৈদা মীওই চা কয়ানা রেলি পাঙথোক্তুনা মেনলেন্দগী ওথোরিটিশিংনা সমুদ্রদগী ফাখিবা হোং কোংগী মীওই ১২ থাদোক্নবা দিমান্দ তৌখ্রে।

মীওই ১২ অদু হান্নগী বৃটিশ কোলোনি অসিদা প্রো-দেম্মোক্রেসি এক্তিভিষ্টশিংবু লাকশিন্নবা বৈজিংনা অনৌবা অকনবা সিক্যুরিটি লো অমা চৎনহন্দুনা ফা-পুনবগী থবক হৌরকপদগী দেম্মোক্রেটিক টাইৱান পাংনবগীদমক হোং কোংদগী হি অমদা থোক্লকখিবা মতুংদা মেনলেন্দ চাইনাদা লোনা য়াদবা মওংদা চঙশিল্লকপগী মরালদা ফাখিবনি।

# য়ু এসতা কোভিদ-১৯গী কেস খ্বাইদগী ৱাংনা থেংনখিবা মতুংদা ট্রম্পনা ফ্লোরিদাদা প্রসিদেন্ট মীখলগী ভোট থাদখ্রে

ৱাশিংটন, ওক্টোবর ২৫ (এজেন্সী):
প্রসিদেন্ট দোনাল্ড ট্রম্পনা য়ু এস প্রসিদেন্টকী মীখলদা দেম্মোক্রেটিক কেন্দিদেট জো বাইদেনদগী ভোট মশিং হেন্না ফংদুনা কুমজা ২০১৬ গা মান্ননা ঙক্লিংঙাই ওইবা মওংদা নবেম্বর ৩ গী মীখলদা মায় পাকপা ঙম্নবা হোৎনরকখিবগা লোয়ননা থাংজ নুমিত্তা ফ্লোরিদাদা ভোট থাদখ্রে।

মমাংগী নুমিৎ ইরাইদা য়ু এসকী কোভিদ-১৯গী কেস মশিং রেকোর্দ ওইবা মওংদা ইনৌ নৌনা কেস ৮৩,০০০ লোম দিটেক্ট তৌদুনা নোংমগী মনুংদা খ্বাইদগী য়াম্বা ইনফেক্সন থেংনখিবা মতুংদা মহাক্না ভোট থাদখিবনি।

কোভিদ-১৯ পেন্দেমিক্কা মরম ওইদুনা মশা-মশানা পোলিং মফমদা চত্তুনা ভোট থাদবদা প্রোব্লেম অমা চাওনা মায়োক্নহনবা লৈরিঙৈসিদা ট্রম্পনা থাংজ নুমিত্তা ফ্লোরিদাদা ভোট থাদদুনা চহী অসিগী মীখল অসিদা ভেলোট ঙন্না থাদবা অমেরিকান মিলিয়ন ৫৫ রোমগী মনুংদা অমা ওইরি। ট্রম্পনা মহাক্কী ওফিসল রেজিদেন্স ওইরিবা মার-এ-লগো রিজের্টতিগী পংলাপ লাপ্তুবা ৱেষ্ট পামবিচতা লৈবা পোলিং ষ্টেসন অমদা ভোট থাদবা লোইরগা থোক্লকপদা অমুবা মাস্ক লৌথোক্তুনা সপোর্টরশিংদা ওনশিল্লগা মমোন নোক্তুনা মহাক ট্রম্প কৌবা অমদা ভোট থাদখি হায়না ফোঙদোকখি।

মশানা চৎলগা ভোট থাদবা হায়বসিনা য়াম্না হেন্না সিক্যুর ওই। পোষ্টেল ভেলোটতা ভোট পীবদগীদি মসিনা হেন্না ফৈ হায়না ট্রম্পনা ফোঙদোকখি। ভোট থাদরবা মতুংদা ট্রম্পনা কেম্প্যেন রেলি অহুমদা শরুক য়ানবগীদমক্তা তোঙান-তোঙানবা মফম অহুমদা চৎননবা শেম-শাখি। মহাক্না নোর্থ কেরোলিনা, ওহায়ো অমসুং ৱিস্কোন্সিনদা পাঙথোকপা কেম্প্যেন রেলিশিংদা শরুক য়ারুবা মতুং অহিং নোংয়াইগী মতম য়ৌরমদাইদা হ্বাইট হাউসতা অমুক হল্লক্কদৌরিবনি। ইরাই নুমিত্তা ট্রম্পনা সিনিয়র পোলিটিসিয়নশিংদা টার্গেট তৌরদুনা বাইদেন্না মতম চুপ্পদা মীয়াম্বু কিননবা কোভিদ, কোভিদ পন্দুনা লৈ হায়য়খি।



# বৃটিশ কলম্বিয়াগী মীখলদা ইন্দো-কানাদিয়ন ৮ কারে



ভেনকুভর, ওক্টোবর ২৫ (এজেন্সী):
কানাদাগী বৃটিশ কলম্বিয়া প্রোভিন্সকী মেম্বর ৮৭ লৈবা এসেম্বলিগী মীখলদা ইন্দো-কানাদিয়ন ৮ মায় পাকখ্রে।

থাংজ নুমিত্তা পাঙথোকখিবা মীখলদা ইন্দিয়ন-ওরিজন কেন্দিদেট ২৭ না মীরেপশিং ওইনা মীখলদা লম্বী তৌখি। মায় পাক্লবা মীওই ৮ মক মেম্বর ৮৭ লৈবা হাউসতা সীট ৫৫গা লোয়ননা এবসোল্যুট মোজোরিটি ফংবা ঙমখিবা রুলিং ন্যু দেম্মোক্রেটিক পার্টিগী মেম্বরশিংনি। মায় পাক্লবা ইন্দো-কানাদিয়ন ৮ দুগী মনুংদা অহুমদি নুপীশিংনি।

শক্লাইরবা হ্যুমেন রাইটসকী উকিল অমন সিংহনা বৃটিশ কলম্বিয়াদা অহানবা কোইয়েৎ য়েৎপা সিখ এম এল এ ওইদুনা পুৱারী শেমখি। মহাক্না রিসমোন্দ-ক্বিন্সবোরোদা ওপোজিসন লিবরেল পার্টিগী হান্নগী জর্নেলিষ্ট জাস জোহালবু মায়থিবা পীখি। ইন্দো-কানাদিয়নশিংনা মায় পাক্লিবদু অয়াম্বনা ইন্দিয়নশিংনা দোমিনেট তৌবা ভেনকুভরগী মতাই ওইরপ্না লৈবা সুরে সিটিদনি। মীখল অদুদা মায় পাক্লবা মশক নাইবশিংগী মনুংদা লেবর মিনিষ্টর হেরি বেন্স, দেপ্যুটি স্পীকর রাজ চৌহান, হান্নগী মিনিষ্টর জিনি সিমস অমসুং পার্লিয়ামেন্টরি সেক্রেটেরিশিং জাগরুপ ব্রার অমসুং রবি কাহলোন য়াওরি।

বেন্সনা কাঙলুপ অমত্তা ওইরিবা লিবরেল পার্টিগী পঞ্জাবী পোল বোপারাইবু মায়থিবা পীদুনা মহাক্কী সীট সুরে-ন্যুটন মখা তানা পায়বা ঙমখি। পঞ্জাবগী জলনধরগা নক্লবা হর্দাসপুর ভিলেজদগী লাকখিবা বেন্সনা সীট অসি কুমজা ২০০৫ দগী পায়দুনা লাকখি।

# কাবুলদা লৈবা এদ্যুকেসন সেন্টরদা চথখিবা সুইসাইদ বোম্বিংদা মীওই ৩০ শিরে, ৭০ হেন্না শোক্লে



কাবুল, ওক্টোবর ২৫ (এজেন্সী):
অফঘানিষ্টানগী কেপিটেল কাবুলদা লৈবা এদ্যুকেসন সেন্টর অমদা থাংজ নুমিত্তা চথখিবা সুইসাইদ বোম্বিং এটেক অমদা মহৈরোয়শিং য়াওনা মীওই ৩০ শিখ্রে অমসুং অতৈ মীওই ৭০ হেন্না অশোক-অপন নংলে হায়না ওফিসলশিংনা ফোঙদোকখ্রে।

ইন্টরিয়র মিনিষ্ট্রিগী স্পোক্সমেন টারিক অরিয়ন্না ফোঙদোকখিবদা, কাওসর-ঈ দেনিস সেন্টরগী মনাক্তা লম্বীদা এক্সপ্লোসিভশিং পোকখায়হনখিবা বোম্মর অমা সিক্যুরিটি গার্দশিংনা খঙবা ঙমখি।

হেল্থ মিনিষ্ট্রিগী মতুং ইন্না বোম পোকখায়বদুদা শিখিবা মীওই অয়াম্বা চহী ১৫ অমসুং ২৬ গী মরক্তা লৈবা মহৈরোয়শিংনি। এটেক অদুদা মীওই ৭০ হেন্না অশোক-অপন নংখি। অফঘানিষ্টানগী লান লোইশিনবা য়ানবগী দিল অমা পুরক্লবা কাটরদা টালিবানগী মীহুৎশিংগা গভর্নমেন্টকা ৱারী শান্নদুনা লৈরিঙৈ লুরবা তানফম অমদা চথরক্লিবা এটেক অদু টালিবানগী খুৎ নত্তে হায়না গ্রুপ অসিগী স্পোক্সমেন্না ট্বিটরদা ফোঙদোকখি।

টালিবান্না ৱাফম অসি ফোঙদোকখ্রবা মতুংদা ইস্লামিক ষ্টেটনা ইভিদেন্স অমত্তা পীবা তৌদনা এটেক অদু মখোয়গী খুৎনি হায়না ইরাই নুমিত্তা টেলিগ্রামদা ষ্টেটমেন্ট অমা থাদোক্তুনা ক্লেম তৌখি।

# সার্ককী এটেক্তা মীওই ১ শোক্লে

সিদনি, ওক্টোবর ২৫ (এজেন্সী):
ওষ্ট্রেলিয়াগী নোর্থ ক্বিন্সলেন্দগী সিটি টাউন্সভিলগা নক্লনা লৈবা লৈবাক অসিগী মমিং লৈরবা গ্রেট বেরিয়র রিফতা নোংমাইজিং নুমিত্তা মশাগী চহী ৫৯ শুরবা নুপা অমা সার্ক অমনা এটেক তৌবদগী ফিভম লুনা শোক্লে হায়না রেস্ক্যুৱরশিংনা ফোঙদোকখ্রে।

পেরামেদিকশিংনা মীওই অদু ব্রিটোমার্ট রিফতগী এয়রলিফ তৌদুনা টাউন্সভিল হোস্পিটালদা পুখি। মিদিয়া রিপোর্টশিংগী মতুং ইন্না নুপা অদুনা নুমিৎয়ুংবা মতম য়ৌরমদাইদা রিফ অদুগী মনাক্তা স্পিয়রফিসিং তৌদুনা ঙা ফারিঙৈদা থৌদোক অদু থোকখিবনি। মীওই অদুগী ফাইগলগী মথক থংবা অমসুং কময়াগী শরুক্তা সার্কনা চিক্লম্বগী মফম চাওনা লৈ হায়রি।

# কটারনা এফ-৩৫শিং শোয়দনা ফংলগনি

জেরুসলম, ওক্টোবর ২৫ (এজেন্সী): য়ু এসনা কটারদা এফ-৩৫ ৱার প্লেনশিং য়োনবদা কন্না অথিংবা পীবা লৈদুনসু য়ু এসকী এদভান্স এয়রক্রাফট অসি কটারনা শোয়দনা ফংখিবা য়াবগী ফিভম লৈ হায়না ইজরেলি কেবিনেট মিনিষ্টর অমনা নোংমাইজিং নুমিত্তা ফোঙদোকখ্রে। ইরান অমসুং পেলেষ্টিনিয়ন হমাসকা মরী লৈনৈ হায়দুনা গল্ফকী ষ্টেট অসিদা এয়রক্রাফট অসি য়োনবগী দিল অমা পুরক্লবা হোৎনবদা ইজরেলনা থীংদুনা লাকখিবনি। কটারনা প্লেন অদুগী মমল পীবা ঙল্লগদি মখোয়না থুনা নৎত্রগা থেংনা ওইরবসু প্লেনশিং অসি ফংখ্রগনি হায়না ইজেরেলি ইনর্জি মিনিষ্টরনা ফোঙদোকখি।

# পোলেন্দদা কোরোনাভাইরসকী অথিংবশিংগী মায়োক্তা প্রোটেষ্ট তৌখিবা মীওই ২৮৭ ফাজিনখ্রে

ৱারসো, ওক্টোবর ২৫ (এজেন্সী):
কোরোনাভাইরস শন্দোরকপা কন্ট্রোল তৌনবগী পান্দমদা থল্লিবা অনৌবা অথিংবশিংগী মায়োক্তা পোলেন্দগী কেপিটেল ৱারসোদা মীওই লিশিং কয়ানা প্রোটেষ্ট তৌখিবগা লোয়ননা থাংজ নুমিত্তা ৱারসো পুলিসনা মীওই ২৭৮ দিটেন তৌখ্রে হায়না পুলিস স্পোক্সমেন অমনা ফোঙদোকখ্রে।



পুলিস স্পোক্সমেন অসিনা মখা তানা ফোঙদোকখিবদা প্রোটেষ্ট মনুংদা দেমোনষ্ট্রেটরশিংনা পুলিস পর্সনেলশিংদা নুঙ, গ্লাস বোট্টল অমসুং বোম্বুলাশিং লংশিন্দুনা এটেক তৌখি। কোরোনাভাইরস শন্দোরকপা থীংনবগী মিংদা অনৌবা অথিংবশিং থল্লিবদু লৌথোকউ হায়না ৱারসোদা প্রোটেষ্ট তৌরিবশিংনা দিমান্দ তৌখি।

থাংজ নুমিত্তা ৱারসো পুলিসকী স্পোক্সমেন সিলৱেষ্টর মার্কজাকনা পাউমীশিংনা হায়খি মদুদি পুলিসনা পুন্না দেমোনষ্ট্রেটর ২৭৮ দিটেন তৌখি। ঐখোয়না পুলিসকা খুৎ থোক্লবা লাকখিবা শাথিরবা মীওই কাঙবুশিং লাকশিন্নবা হোৎনবদা মখোয়বু দিটেন তৌরিবনি।

পনবা য়াবদি ইরাই নুমিত্তা রেকোর্দ ওইবা মওংদা কোভিদ-১৯গী অনৌবা কেস ১৩,৬৩২ দিটেক্ট তৌখিবগা লোয়ননা পোলেন্দদা কোভিদ কেস মশিং খংৱাং ৱাংখৎলকখিবনি।

# সেন্ট্রেল গভর্নমেন্টকী ইমপ্লোয়ীশিংনা এল টি সীগী বেনিফিট লৌনবা বিল কয়া থাগৎপা য়ারগনি

ন্যু দিল্লি, ওক্টোবর ২৫ (এজেন্সী):
সেন্ট্রেল গভর্নমেন্টকী ইমপ্লোয়ীশিংনা হৌজিক এল টি সীগী কান্নবা লৌনবগীদমক্তা মশাগী মমিংদা লৈখিবা পোৎশকশিং নৎত্রগা সর্ভিসশিংগী বিলশিং সবমিট তৌবা য়ারগনি।

হৌজিক ইমপ্লোয়ীশিংনা জি এস টি চাদা ১২ নৎত্রগা মথক্তা লৈবা পোৎ-চৈ লৈরগা অমদি সর্ভিসশিং তৌরগা এল টি সীগী কান্নবা লৌবা য়াগনি হায়না হৌখিবা ওক্টোবর ১২ দা লাউথোকখ্রবনি।



ফাইনান্স মিনিষ্টরগী মতুং ইন্না এল টি সী (লিভ ট্রাভেল কন্সেসন) কেস ভোচর স্কিমগী কান্নবা লৌনবগীদমক্তা সেন্ট্রেল গভর্নমেন্টকী ইমপ্লোয়ীশিংনা মশা-মশাগী মমিংদা লৈখিবা পোৎশকশিং অমসুং সর্ভিসশিং বিল কয়া থোক্লা থাগৎপা য়ারগনি। মিনিষ্ট্রি অসিগী মখাদা লৈবা এক্সপেন্দিচর দিপার্টমেন্টনা এল টি সী কেস ভোচর স্কিমগী মতাংদা তোয়না হংনবা ৱাহং কয়া (এফ এ ক্যুশিং) ইশ্যু তৌদুনা লাউথোকখিবনি।

স্কিম অসিগী মখাদা সেন্ট্রেল গভর্নমেন্টকী ইমপ্লোয়ীশিংনা কান্নবা অসি লৌনবগীদমক্তা পোৎ-চৈশিং নৎত্রগা সর্ভিসশিং চাদা ১২ নৎত্রগা মথক্কী জি এস টিগী চাংদা লৈগদবনি। মসিগী মমাংদদি ইমপ্লোয়ীশিংনা শুপ্পগী ট্রাভেলগা মরী লৈননা এল টি সীগী কান্নবশিং লৌবা য়ারম্মী। ট্রাভেলিং তৌদ্রবদি কান্নবা অসি ফংলমদে। এক্সপেন্দিচর দিপার্টমেন্টনা ইশ্যু তৌবা এফ এ ক্যুশিং অদুদা ইমপ্লোয়ীশিংনা থাগৎলক্কদৌরিবা বিলশিং অদু চৎলিবা শেনবা চহী অসিগী মার্চ থা ফাওবগী মনুংদা লৈবশিং ওইগদবনি অমদি জি এস টিগী চাং চাদা ১২ অমদি মথক ওইবগা লোয়ননা পেমেন্টশিং দিজিটেল মোদতা তৌবা ওইগদবনি হায়নসু পনখি।

ইমপ্লোয় অমনা লিভকী এনকেসমেন্ট য়াওদনা এল টি সীগী এপ্লাই তৌবা য়াবা ফ্যেরদু শীজিন্নরগা স্কিম অসিগী কান্নবা লৌবসু য়াগনি। সেন্ট্রেল গভর্নমেন্টনা হৌখিবা ওক্টোবর ১২ দা এল টি সী কেস ভোচর স্কিম অসি

# ইন্টেরোগেসন চথরিবা নুপা অমা পুলিস বিল্ডিংদগী চোংথদুনা শিজখ্রে, এ এস আই সস্পেন্দ তৌখ্রে

ন্যু দিল্লি, ওক্টোবর ২৫ (এজেন্সী):
পোৎ হুরানবগী কেস অমগা মরী লৈননা দিল্লিগী পুলিস ষ্টেসনদা ৱাহং পাউহং চথরিবা মশাগী চহী ৪৮ শুরবা নুপা অমা পুলিস বিল্ডিং অদুগী অহানবা ফ্লোরদগী চোংথদুনা শিজখ্রে।

লৈখিদ্রবা মীওই অদুগী মরী-মতাশিংগী মায়কৈদগী থৌদোক অদুদা পুলিসনা মরাল কয়া শীখিবগা লোয়ননা দিল্লি পুলিসনা কেস অদুগী এ এস আই চেকশিন্দবগী মরালদা সস্পেন্দ তৌখ্রে হায়রি।

বিল্ডিংদগী চোংথদুনা শিখিবা ধরমবির কৌবা মীওই অদু লোদি কোলোনি পুলিস ষ্টেসনদা ইনভেষ্টিগেসন চথখি। মহাক থাংজ নুমিৎকী অহিংদা বিল্ডিং অদুগী অহানবা ফ্লোরদগী চোংথজখিবনি। মহাক খুদক্তা এইমসতা লায়কন্নবগীদমক পুখৎখি। তৌইগুম্বসুং দোক্তরশিংনা মহাক শিরগা পুরকপনি হায়না লাউথোরকখি।



পুলিসকী মতুং ইন্না হৌখিবা ওক্টোবর ২২ দা সাউথ দিল্লিগী লোদি কোলোনিদা কার হুরানবগী রিপোর্ট তৌখি। হুরানবগী থৌদোক অদু ব্লোক ২৩ দগী রিপোর্ট তৌরকখিবনি অমসুং কেস অদুগী মতাংদা থিজিনবগী থবক এ এস আই বিজয়দা শীন্নখি।

ইনভেষ্টিগেসন অমসুং সী সী টি ভি ফুটেজ এগজামিনেসন মনুংদা থৌদোক অদুদা চেন্নবা মীওইশিং ওটো রিক্সো তোংলগা লাকখি হায়বসি খঙবা ঙমখি। ধরমবিগী মচানুপানা ওটো রিক্সো অদুগী রেজিষ্টর তৌবা মপু ওইরমখি। অদুমওইমক মহাক্কী মপানা ওটো রিক্সো অদু শাদোক্লমখি।

ধরমবিরগী ৱারোলদগী ওটো রিক্সো অদুগী দ্রাইভরগা মীওই অমনা ফাখি। থৌদোক অদুদা ধরমবিরনা করি থৌদাং লৌখিবগে হায়বদু খঙদোক্লবা হোৎনখি। এ এস আই বিজয়না কা অমদা ধরমবিরবু ৱাহং পাউহং তৌখি। বিজয়না কাদু থাদোক্তুনা চৎলুরবা মতুংদা অমুক হঞ্জিল্লকপদা ধরমবির মফমদা লৈরমদবনি হায়রি। এ এস আই বিজয়গী মথক্তা দিসিপ্লিনরি এক্সন লৌখত্তুনা মহাকপু সস্পেন্দ তৌখিবনি।

# ভিজিলেন্সকী নেসনল কনফরেন্সতা ৱা ঙাঙগদৌরি

ন্যু দিল্লি, ওক্টোবর ২৫ (এজেন্সী):
ভিজিলেন্স এৱ্যেরনেস চয়োল মনুং লৈবাকপোকপা নুমিত্তা প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা ভিজিলেন্স অমসুং এন্টি-করপসনগা মরী লৈনবা নেসনল কনফরেন্সতা ৱা ঙাঙলগনি।

মোদিনা নুংথিল পুং ৫ তাবা মতমদা থৌরম অদুদা ৱা ঙাঙগনি অমসুং মদু লাইভ ৱেবকাষ্ট তৌগনি।

ওর্গনাইজেসন খুদিংমক্তা মাস্ক উপ্পা, গজ অনী থাপ্পনা লৈবা অমসুং মফম খুদিংমক্তা, থৌরম খুদিংমক্তা খুৎ-শাশিং হাম্বনচিংবা কোভিদ-১৯ থীংনবগী গাইদলাইনশিং চেকশিন্না ঙাক্লনবা পাউতাকপীখ্রে। মসিগী মথক্তা ওর্গনাইজেসন খুদিংমক্তা ফাইনান্স মিনিষ্টরনা ইশ্যু তৌবা শেল-থুমগী থৌরাংশিং চেকশিন্না ইনহন্নবসু খঙহনখ্রে।

থৌরম অসি সেন্ট্রেল ব্যুরো ওফ ইনভিষ্টিগেসননা থৌবু ওইদুনা শিল্লগা লৈবাকপোকপদগী শগোলশেল নুমিৎ ফাওবা পাঙথোক্কদৌরিবনি। সর্দার ভালাভাই পাটেলগী মপোক নুমিৎ তাবা চয়োল খল্লগা চহী খুদিংগী থৌরম অসি পাঙথোক্তুনা লাক্লিবনি।

চয়োলগী এৱ্যেরনেস কেম্প্যেন অসি সতার্ক ভারত, সমরিট ভারত (ভিজিলেন্ট ইন্দিয়া, প্রোসপরস ইন্দিয়া) হায়বা থিমগা লোয়ননা পাঙথোক্কদৌরিবনি। ৱেবসাইটতা থিম কয়াগী সজেসন পীনরকখিবা মতুংদা চহী অসিগী ওইনা প্রপোজ তৌরিবা থিম অসি চীফ ভিজিলেন্স ওফিসরশিংগী মোৎ লৌরবা মতুংদা ফাইনেলাইজ তৌখিবনি। চয়োলগী এৱ্যেরনেস কেম্প্যেন অসিনা পব্লিক লাইভতা পুকচেল শেংনা থবক তৌবগী কন্মিটমেন্টতা অমুক হন্না থাজবা থমগদৌরিবনি।

# য়ুম নীংখায়রকপদা মীওই মঙা শিরে

হায়দ্রবাদ, ওক্টোবর ২৫ (এজেন্সী):
তেলঙ্গনাগী ৱানাপার্থি দিষ্ট্রিক্তা নোংমাইজিং নুমিৎকী অয়ুক অঙনবদা য়ুম অমগী য়ুমথক খঙহৌদনা নীংখায়রকপদগী য়ুম অদুদা লৈরিবা ইমুংগী মীওই মঙা শিখ্রে অমসুং অতৈ অনীনা অশোক-অপন নংখ্রে হায়না পুলিসনা ফোঙদোকখ্রে।

পুলিস ওফিসর অমনা ফোঙদোকখিবদা গোপাল পেট মন্দলগী গুদরাম খুঙ্গংদা য়ুমগী কা অমদা ইমুংগী মীওইশিংনা তুমদুনা লৈরিঙৈদা নোং কন্না চুবদগী পেৎথোরক্লবা লৈবাক্কী য়ুমথক অদু কিন্থরকখিবগা লোয়ননা ইমুংদা তুম্লিবা মীওইশিং ননখিবনি। শিরিবশিং অদুদি মশাগী চহী ৬৮ শুরবা চেবামনেমা, মশাগী চহী ৩৮ শুরবা সুপ্রাজা, মশাগী চহী ২১ শুরবী বৈষ্ণবি কুমার, মশাগী চহী ১৮ শুরবী রেঙ্কি অমসুং মশাগী চহী ৩৮ শুরবী উমা দেবী হায়রিবা নুপীশিং অসিনি।

ইমুংগী অহল অমা লৈখিদবগী কুমওন থৌরম পাঙথোক্লবগীদমক্তা পুনখিবনি। থাংজ নুমিৎকী অহিংদা থৌরম লোইরবা মতুংদা নুপীশিংনা কা অমদা তুমখি অমসুং নুপাশিংনা য়ুমগী মপান্দা তুমখি হায়রি।

# মধ্য প্রদেশগী মরক্কী মীখলগী কেন্দিদেট চাদা ১৮ ক্রিমিনেল কেসশিংদা চেন্নবশিং ওইরি

ভোপাল, ওক্টোবর ২৫ (এজেন্সী):
মধ্য প্রদেশগী মরক্কী মীখলশিংদা কন্টেষ্ট তৌরিবা কেন্দিদেট ৩৫৫ গী মনুংদা ৬৩ হায়বদি কেন্দিদেট চাদা ১৮ দি ক্রিমিনেল কেসশিংদা চেন্নে হায়না লাউথোকখ্রবশিংনি হায়বসি মীখলগী মরী লৈনবা রাইটস গ্রুপস এসোসিএসন ফোর দেম্মোক্রেটিক রিফোর্ম (এ দি আর)গী রিপোর্ট অমনা উৎখ্রে।

রিপোর্ট অদুগী মতুং ইন্না কেন্দিদেট অপুম্বগী চাদা ১১ নৎত্রগা কেন্দিদেট ৩৯ অরুবা ক্রিমিনেল কেসশিংদা চেন্নে হায়না লাউথোকখ্রবশিংনি। অরুবা ক্রিমিনেল কেসশিং হায়বসি চহী মঙা হেন্না জেলগী চৈরাক পীবা য়াবা নন-বেলেবল ওফেন্সশিংনি।

মরু ওইবা পার্টিশিংগী মনুংদা কোংগ্রেসতগী এনালাইজ তৌখিবা কেন্দিদেট ২৮ গী মনুংদা ১৪ (চাদা ৫০), বি জে পিদগী এনালাইজ তৌখিবা কেন্দিদেট ২৮গী মনুংদা ১২ (চাদা ৪৩)না মখোয়গী এফিদেবিটশিংদা মখোয়গী মায়োক্তা ক্রিমিনেল কেসশিং লৈরে হায়না পঞ্জখি। বি এস পিদগী এনালাইজ তৌখিবা কেন্দিদেট ২৮ গী মনুংদা ৮ (চাদা ২৯), এস পিদগী এনালাইজ তৌখিবা কেন্দিদেন্ট ১৪ গী মনুংদা ৪ (চাদা ২৯) অমসুং ইন্দিপেন্দেন্ট কেন্দিদেট ১৭৮ গী মনুংদা ১৬ (চাদা ৯)না মখোয়গী এফিদেবিটশিংদা মখোয়গী মায়োক্তা ক্রিমিনেল কেসশিং লৈরে হায়না পঞ্জখি। মরক্কী মীখল অসিদা কন্সটিট্যুয়ন্সি ২৮ গী মনুংদা ১০ রেদ এলার্ট কন্সটিট্যুয়সিশিং ওইরি।

‘সলাই পুন্সিকোনগী পাউজেল’

Notice No. 57/PSP-Ex.C.M/2020, Dated গী Executive Committee গী Resolution No.1 গী মতুংইন্না ‘ফুরুপ্লক্কী সনামহী লাইনিং অমসুং পুন্সিরোল খূফম থৌসিনকোন, (ফুরুপ্লক্কী সলাই পুন্সিকোন) তাওথোং অফৈবা, লমসাংনা থোকপা চেরোল অমনা লুপ্লোয় (Member) শিংদা খঙহঞ্জরি-মদুদি লাক্লিবা মেরাগী ২১ (কুনমাথোই)নি পানবা থাংজ নুমীৎ চৈচৎ ০৭/১১/২০২০ ইং, অসিদা লুপ অসিগী “Foundation day observation cum General Body Meeting” COVID-19 গী SOP ঙাক্লা পাঙথোকচরগনি। মীফম অসিদা লুপলোয়শিংনা মতম চানা লেংবীরক্তুনা থৌরমশিং অসিবু মপূং ফাহনবীরনবগীদমক নীংশিংজরি।
মফম - ময়ায় লোয়শঙ সঙলেন, লমসাং (সলাইকোন)
মতম - নুংথিল পুং ১.০০ (অমা)
নুমীৎ - থাংজ, মেরা ২১নি পানবা (০৭/১১/২০২০ ইং)
পাউজেঞ্জরিবা : Secretary,
HL-P/7924/26 Phuruplakki Salai Punsikon, Lamsang, Imphal

/ ওজা কবিরাজ
ABDUL HAK মণিপুরদা অতাঙবা ওজানি

অমুক্তং ওজা কবিরাজ অব্দুল হককী হীদাক চাবীদুনা পূন্সি নুংঙাইনা লৈবীয়ু মরমদি ঐগী হকচাংদা লৈরম্বা পাইলসনা নাবগী অৱাবশিং খোঙ হাম্বা মরক-মরক্তা ঈ দ্রোপ-দ্রোপ তারকপা, অমাংথোঙগী অকোয়বদা য়াম্না তোইনা হাক্কৎচবা, চক্-চক্ থিনবা, অমাংথোঙদা পেরে থোক্তুনা ইঞ্চি মখায়মুক ইন্থরকপা, পূক শাবা, পূক খোংবা, থবাক ফুনগৎপা, চানিংবা পোক্তবা, ইশা ইতন-তনথবা, খোঙ হাম্বা লোইরগা অমাংথোঙদা শারি-শারি তৌরম্বা অদু ওজা অব্দুলগী হীদাক চাজবদগী অনাবশিং অদু মপূগী থৌজালদগী মপূং ফানা ফরে। মরম অসিনা ওজা অব্দুল হকপু পূন্সি শাংনা মীয়ামগী সেবা তৌবীখো হায়না মপূদা থৌনীজরি।
ওজাগী লায়েংফমদি :-
1. Wangoi SBI Awang, Near Oil Pump (6:00-5:00 p.m.)
Contact No. : 8794429681, 8014623756
থাগৎচরিবা : I. Rabi Meitei
HL-B/6457/26 Sekmaijin Makha Leikai

/ য়াম্না নুংঙাইজরে



সুধাকর

সগোলবন্দ খম্নাম লৈরক আই টি আই মনাক ইম্ফালদা লৈবা লাইশ্রম সুধাকর (শামু) অপোকপা নবকিশোরনা চয়োল ৭ (তরেৎ) লায়েংবীবদগী ঐগী য়েৎ থংবা রিনেল পেলভিসতা লৈবা ১৩ এম এম চাওবা নুঙ অমা লৈরমদ্রে। (অল্ট্রাসাউন্দ লৌদুনা য়েংলুবদা)। মরম অসিনা ঐনা সুধাকরগী মফমদা নুংঙাইবা অমসুং অপেনবা ফোঙদোকচরি।
থাগৎচরিবা :- টি. তোম্বা
HL-P/7913/26 সেঞ্জম খুনৌ

/ নূংশঙগী ওজাবু থাগৎচরি



Naorem Ibomcha

ঐগী হকচাংদা নুংশং হায়রিবা লায়না অসিনা নাদুনা লৈরকপনি। লায়ওংদি পোম্বা তঙবা, নায় চারগা অদুগা মখুল হুৎলকপা, মচুম তারকপা অসিনি। লাইবক ফবদগী মরুপ অমনা হৈঙাংদা চৎলু তাক্লকপদগী চৎচরুরে। নাওরেম ইবোমচা Phone No. 6009147645/8014023792 গী হিদাক চাবদগী ঐগী হকচাংদা লৈরম্বা নুংঙাইতবা অদু পুংফা ফজরে। মরম অদুনা নুংশিরবা ওজাবু মতম পুম্বগী হায়নিংঙাই লৈতনা থাগৎপা ফোঙদোকপগা লোয়ননা ঈশ্বরগী মফমদা থৌনিজরি।
থাগৎচরিবা - Laitonjam Jayanta Singh
HL-P/7620/28 Sept. to 27 Oct. Patsoi Makha Leikai, Part- 4

HL-B/6601/14/10-1st Dec.(alt.)

Regd. No. : KNL/497/(CE) of 2018 (I/W)
SANGAI TUTORIAL
Kwakeithel near Imphal College,Imphal
ADMISSION OPEN
FOUNDATION
Cum
REVISION COURSE for
CLASS - X (BOSEM)
Class Commencing on: 2nd November 2020 (2:30 p.m. - 5:30 p.m.)
CLASS - XI & XII Sc. (COHSEM)
* To be conducted with proper S.O.P.
* Seats are limited, 20 students per batch.
* First come, first serve.
For inquiry, Pliz. visit ‘SANGAI HOSTEL’ kwakeithel Ningthemkol #9862712287